

# ইন্দিয়ন ম্যুজিক # ১২





**রন্দোল্ফ মোইরাংথেম**

**মমাঙদসু** থমজখ্রে স্বাতি মুনি হায়রিবা ভারত নাত্যসাস্ত্রা হায়রিবা য়াম্না ফাওবা সেকেন্দ সেঞ্চুরি এ দিগী থিএটরগী অচৌবা লাইরিক ইরল্লিবা নিপা ভারত মুনি হায়রিবা অসিগী গুরুদেব অসিনা বিশ্বাকর্ম্মদা শাহল্লল্লিবা ত্রিপুস্কার পুং মখল অহুম, অমনা ফৈনা য়ৈবা অনকিক হায়না মীংথোনবা পুং অসিনা অসুম অসুম মমিং ওল্লক্তুনা ঙসিগী কার্নেটিক ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী মরিদাঙম, হিন্দুষ্টানি ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী পাখৎরাজ (মরিদাঙা হায়নসু খঙনবা), ওরিশী ক্লাসিকেল দান্সতা য়ৈনরিবা পুং মর্দাল ৱেষ্ট এন্দ ইষ্ট বেঙ্গল (বংলাদেশ) তা য়ৈনরিবা খোল, মহারাষ্ট্রদা য়ৈনরিবা নাল, অসামগী সাত্রিয়া ক্লাসিকেল দান্সতা য়ৈনরিবা খোলনচিংবা পুংশিং অসি অনকিক হায়রিবা স্বাটি মুনিনা পুথোক্লম্বা পুং অসিদগী অসুম অসুম চাওখৎলক্তুনা ঙসিগী পুংশিং অসি ওইরকপগী থাজবা য়াম্না ৱাংনা লৈ। হায়রিবা পুং মখলশিং অসি পাখৱাজগী মরু হায়বদি ওই থংবা সাইদ কম্মন ওইনা খূৎ ওইনা য়ৈনবা শরুক্তি গেহুদগী শেন্বা গিল্লা আটানা ঈশিংগা তোৎনরগা দুম-দুম লাওবা অতৈ পুং মরুশিংগী মখোলগা মান্নদবা নুপা থোকপা মখোল অমা থোকই। অদুগা অতৈ লেমহৌরিবা পুংশিং অসিদি সয়াহি হায়বদি হিন্দি লোন্দা মুক হায়বা ৱাহৈ অসিনা কম্মন ওইনা লেমহৌরিবা পুংশিং অসিগী মরু (ওই থংবা শরুক) অমদি মনাউ (য়েৎ থংবা শরুক) শিংদা শীজিন্নৈ। সয়াহি (মুক) হায়রিবা ৱাহৈ অসি বঙ্গালি লোন্দনা গাপ হায়রগা খঙনৈ অদুগা মীতৈ লোন্দনা কাপ হায়রগা খঙনৈ। হৌজিক হৌজিক মণিপুরী নট শঙ্কীতন মহায়াগ্যা, জগোয় রাস, ধুমলনচিংবদা য়ৈনরিবা মীতৈ পুং হায়না খঙনরিবা পুং মখল অসিসু স্বাতি মুনিনা পুথোক্লম্বা বিশ্বাকর্ম্মনা শাখিবা অনকিক হায়রিবা পুং অসিগী মখল অমা ওইবসু য়াই। তৌইগুম্বসদুং মীতৈ পুংদা নাওথোং হায়বা টর্নিং তৌনবগী খুদোংচাবা অমা য়াওরিবা অসি ইন্দিয়াগী অতৈ পুংশিংদা য়াওদে। মসিমক মীতৈশিংগী ওইবা য়াম্না তোঙানবা অমসুনি। অদুগা পুং অসি মনুংদা হঞ্জিল্লগসু য়ৈ। মরম অসি লৈবনা তবলাগুম, মরিদাঙমগুম পাখৱাজগুম্ন া হায়বদি খূৎশাশিং অসি নাদনা য়ৈবগী ওইথোকপা লৈতে। অমরোমদা মীতৈ পুংদা য়ৈরিবা পুংলোনশিং অসিদি লাংতেং/লাংদেং নৎত্রগা লাংদে হায়না খঙনবা মীতৈশিংগী ওইবা অশেংবা পুংলোন য়াম্না য়াওরি। মীতৈ পুংগী অকুপ্পা থিজিনগদবা য়াম্না ৱাৎলি। মসিগী মতাং অসি ইন্দিয়ন ম্যুজিক্কী তাঙ্ককশিং লোইরগা মালেমদা মমিং লৈরিবা মীতৈ পুংগী মতাংদা ওজাশিংগী মফমদগী অকুপ্পা মহৈশিং তমজরগা মণিপুরী নট সঙ্কীতন মহা য়াগ্যাগী মতাং লাকপদা হেন্না মরিক চুম্বা ৱাফম থমজবা ঙমজনবা হোৎনজগে।

ইন্দিয়নশিংগী থিজিন হুমজিনবদগী য়াম্না থাজবা য়াবা সাইন্টিফিক ওইবা ঙসিগী তবলা মরু-মনাও ওইরক্লবগী ৱাখল্লোন্দা অসুম্না থল্লি মদুদি ভারত নত্যসাস্ত্রাদা য়াওরিবা উধারবাক হায়বা অসি তবলা মরু ওল্লকপা য়াবা পুং মখল অসি স্বাতি মুনিনা দিরেক্সন পীরগা বিশ্বাকর্ম্মদা শাহনখি অদুগা অল্লিংগ্যা হায়রিবা তবলা মনাও ওইরকপা য়াবগী য়েৎনা য়ৈবা পুং মখল অসিসু স্বাতি মুনিনা দিরেক্সন পীরগা বিশ্বাকর্ম্মদা শাহনখি। পুংশিং অসিগী মমিংশিংদি মতমগী য়াওলগী মতুং ইন্না হোংলকপা হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বীরল্লবনি।

অসুম্না মালেমদা লৈরিবা মীওইবনা শেম্বা শাবা খূৎলায়শিংদা অয়াম্বনা শাবা হৌরকপদনা মমিং অমা থোল্লি অদুগা মপূং ফারল্লবদনা হান্নগী মমিং অদু হোংদোক্তুনা অনৌবা মমিং অমদা চৎনরি। মতৌ অসুম তৌদুনা স্বাতি মুনিনা বিশ্বাকর্ম্মদা শাহনখিবা পুং অহুম (১) অনকিক (২) উধারবক অমসুং (৩) অলিংগ্যাশিংগী মোর্দন নেম ওইরকপা য়াবগী থাজবা য়াম্না মপূং ফানা লৈ। মালেমদা মীওইশিংনা শারিবা খূৎলায়শিং অসি অয়াম্বশিংনা খুদক্তা হান্না লৈরল্লবা খূৎলায়শিংদগী মতৌ তম্বা নৎত্রগা চহী লিশাং শিৎনা য়াম্না মোর্দন ফোর্মদা শীজিন্নবা য়াদবগী মওংদা শাবা হৌরক্তুনা মীওইবশিংনা ব্রেনশিং শীজিন্নদুনা খরা খরা চাওখৎলক্তুনা ঙসিগী মওংশিং অসিদা হোংলক্লিবনি। খুদম অমতং পীজরবদা ঙসিগী : Neutron Particle carrying no electric charge, with about the same mass as a proton and forming part of the neucleus of a atom. Electron Proton : Neutron bomb : Bomb that kills people by intense radiation, but does little demage buildings etc. হায়রিবা ঙসি ঙসিমক্কী শাথিখ্রবা খূৎলায় মখল অসি নোংমদা ওইবা য়াবা নত্তে। চহী লিশাং অমা শিৎনা মীওইবশিংগী ব্রেন ময়াম অমা চুংশিন্নরগা ওইরকখিবনি। হায়রিবা খূৎলায় অসিদগী হেন্না শাথিবা খূৎলায়শিংসু পুথোক্লক্লোয় হায়বা ঙমদে। অসুম্না ঙসিগী টবলা, মরিদঙাম, পাখৱাজ (মরিদঙা), নাল খোল, মীতৈ পুংনচিংবা খূৎলায়শিং অসিসু হ্যমেন ব্রেনশিং শীজিন্নদুনা হেন্না চাওখৎপা মগুন লৈবা পুংশিং ওইরক্লোই হায়নিঙাই লৈতে। পূম্নমক অসি মতম কৌবী ইমা লাইরেম্বীগী খুদোলনি হায়বদা থোয়না লাল্লোইদ্রা হায়বসি থমজনীংই।

মুনি ভারতকী অফাওবা থিএটরগী লাইরিক ভারত নত্যসাস্ত্রগী হৌরকফম ইখিবগী রিছার্স ৱর্কশিং পূম্নমক ভারত হায়রিবা লৈবাক অসিগী মমল নাইদ্রবা থিজিন হুমজিনবগী লোইবা খন্বা নাইররোইদবা লাইরৈবাক অসিগী খুদোলনি।

থায়না মমাঙঙৈদা লাইয়ামশিংনা য়ৈরম্বা পুস্কার পুংগী শক্লোন : ভারত বর্ষ হায়রিবা লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়াশিংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথবদা মতম মতমগী ওইবা লাই য়েকপশিংনা য়াম্না ফজবা মওংদা অনকিক হায়রিবা মোর্দন মরিদঙামগুম্বা পর্ক্যুসন ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট অসি য়েক্লম্বা থেংনৈ। লোয়না লোয়ননা য়াম্না মমিং লৈখ্রবা মফমশিংদা হৌজিক ফাওবদসু অনকিক হায়না খঙনরিবা পর্ক্যুসন ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অসিগী অয়েকপগী খুদম ফংবা ঙম্মী। ভারত বর্ষদা শুঙহানা নিংথৌ ওইবা মতম চাওরাক্লা 2nd Century A.D গী মতম অদুৱাইদা লাইয়ামশিংগী ওইবা লাই খুন্দিন্নবদা অল্লামবুশ, মিশরয়া কেশি, পাদমাবতি, সুভদ্রানচিংবা অপসারাশিংগী বেদ্যবিন্দ্রনচিংবা লাইরেম্বীশিংতগী ওইবা জগোয়শিংদা ত্রিপুস্কার হায়রিবা পুং অসি য়ৈ হায়না ইন্দিয়াগী স্কোলরশিংনা ইবিরম্মী।

অমরোমদা, বি আর চোপ্রানা দিরেক্সন পীবিখিবা মতম অমগী য়াম্না ফাওখিবা টি ভি সেরিএলদা অর্জুননা স্বর্গগী জগোয় শাবীগীদা তমখিবা জগোয়শিং অদুদা য়ৈরিবা পুং অদুসু ত্রিপুস্কারগী মতুং ইন্না চাওখৎলকখিবা সাউথ ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল ম্যুজিক, কারনাটিক ম্যুজিক হায়না য়ৈনরিবা পুং অদুমকনি।

মতেং লৌজখিবশিং : ১) মহাভারত (২) ডা. য়োগমা ময়া সুকলা

# মুন্নবদা শয়েঙ তেক্লবী, তেংথাজরি নঙগীদমক ইমা

**থাংজম দামু খাবা**

**মঙাং** লুৱাঙ খুমন মতম অহুম্না থৌগল্লিবী
সঙাই নোংইন পোকপী ইমা,
খুরুমজৈ নঙবু পুকফবী।
চীংখৈ ফিদুপ্না থৌগল্লিবী,
চীংলোন মাপলনা পনশারিবা
কৌব্রুনা কোকথোল লৈতেং ওইবী,
শিরুই লিলিনা নাপ্পদা থোনবী
খুরুমজৈ ইমা পুকফবী।
ঈরিল তুরেলনা খাওন্নবী,
লোক্তাক্লা মিংশেলবু ওইরিবী
লৈরাং লৈখন শুনা শাৎলিবা,
নিংথিবী ইমা চীংলৈবাক
থাবতনা ৱাৎলগদবী ইমা,
ফজৈ নিংথি,
মাঙখিদৌবা পাম্মুইদা।
শৈথাজরিবা ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক মাঙলবী,
খরুং মফম চাদবগা পাঙখক্লরিবী,
চীং-তম পোকপী ইমা,
ঙসিদি ইমাগী শক্তম হোংঙে,
ফীভম শোক্লে মমি শাল্লে য়েংবা ঙমদ্রে,
থম্মোয় কায়রে খূৎ থেক্লা খাঙলে।
ফিজেৎ ফিমল শেৎলবী,
চাদ থক্তা য়াঙ্গংলবী
শমলাং ইফা ফারবী,
খুদাং পীফম তৈরবী
ৱারৌনা কপ্লিবী ইমাগী,
পঙথরবা মপারি মমোমশা...
লুদা চঙলবা লাইরেন্না,
মহি ময়াই চম্বগুম
তুফক-তুফাই চন,
মীতম্বানগুম নীংঙাইদনা লৈরনু।
তূন্লিবা নমিৎ পাঙথোক্লো,
ৱাখল-লৌশিং পুথোক্লো
লাম্থোং পোরম য়াৎতুনা,
অথৌবা ইপা ইপুগুম
লিংজেল লৈবী লিম্থোইঙম্বীগুম,
খূৎশু থাঙলেন চেৎনা পায়
শলাও-লাল্লাও হৌনা লাও,
লৈবাকসিদা তম্নরিবা তম্নলাইশিং
য়েনদেম থরাক শোইগুম শোই,
য়াদে হায়বা খঙহনসি।

মরুপশা... নখোয় ময়ামদা খুদোনজখিবা মেপ মখল অনীদু উরগা নখোয়-নখোয়গী থম্মোয়দা করিমতা ফাওদবরা? কুমজা ১৮১৪দগী ঙসি ফাওবদা মেপকী শক্তমদা লেপ্পা লৈতনা অহোঙবা কয়া কয়া লাক্লিবসি করিগীনো হায়বা খঙজিন-থিজিল্লুদনা, পঙলৈ মরৈরগা অসুম পেন্থোক্লদুনা লৈনবা তারবরা...? মাগী মাগী লমগী ঙমখৈনি হায়না য়েক্লরিবা মেপকী শরুক্তা, মীতৈনা ইরমদমনি ইচিল ইনাও, ইমা ইচানি হায়না, লৈত-লায়রা থিবা চৎচরিবা অমদি মখোয়গী শাইজিন-শয়াদা তাংদুনা হিংজরিবা মীতৈ কনা অমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফাওবা পোৎলোইহনদ্রি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা তারিবা লমসি কয়াম চাওরি য়েংবীয়ু। চীংগী লমদা চাদা ৯২ ওইবদা তম্পাক্কীনা শুপ্নগী চাদা ৮ খক্তনি। পীকখ্রবা চাদা ৮ খক্কী মফমসিদা তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিতি কয়াগী মীওইশিংনা খুং দারিবশিংগী মফম খায়দোকখ্রগা চাদা ৩.৮ খক্তা ঙাইরে হায়বসিদা অরানবা করি লৈখিগদগে?

পূনশিন্নবা-তাশিন্নবগী মফম অমা লৌবা ঙমদ্রবা অদুগুম্বা মচোয়-মচোয় তারবা মীতৈ ফুরুপ অমনি হায়বদা কদাইদনো লানগদৌরিবসিবু? তরাগী চৈশুনা লেংথোঙ ফাই হায়বা অহল লমনশিংগী পাউরৌদু মীতৈ ফুরুপ্তুদি য়েমৌনবগুম থোকখ্রে। থকসি খাসি নাইদবা, অহল লমনশিংবু উশিৎ থওইদবা, মনীং মখা কা হেন্না তম্বা, হায়না তানা য়াদবা, অঙাঙ অঙাঙ চাওনবা লমদমসিগী অদুগুম্বা ফুরুপ্তু কনানো হায়না হংলক্লবদি, মীতৈ ফুরুপ্তা খুদোম্বী থিল্লকপা হায়বসিমদি শোয়দ্রে। পূনশিন্নদুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নবগী কলচর মাঙলবা অমদি লূপ মচা-মচা ময়াম্না শৌ শারবা, লুচিংবগী লুচিংবা ঙাক্তা ঙায়রবা লমদমসিদা কদাইদনো, কদোমদনো মীয়াম্না থাঙগদবা চপ চাবা খোঙথাংসিবু? লমদমসিগী লৈমায়থকসিদা খোঙফম খুদিংগী লুবদি অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্লি। লমদমসিদা লৈরিবা লূপ খুদিংমক্লা মাগী মাগী ৱাখল মীৎয়েংদা ঐগীনা চুম্মী মাগীনা লাল্লি য়েৎন-হুন্নরিঙৈ, মতমদি অসুম অসুম হৌখ্রি। লমদমসিদা মীয়ামগী মীহুৎনা হেক লৈঙাক্লকপদগী মীতৈ ফুরুপসিগী অঙম্বা অমত্তনা লৈবাক ঙাক্লোনগী অরুবা পোলিসি কয়া তুংওইনরগা, খোঙ্গ্রায় নীক্তুনা মতম শাংনা অসুম লাকপগী মহয়না ঙসিদি মীতৈ ফুরুপ অরেং-অরেং পুখরি।

কুমজা ১৮১৪ দা ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজনা থাঙনা লৈঙাক্লিঙৈ, মেক্লে (Mackley) কৌনা কয়াদা পাক চাউবা মণিপুর অমা ওইরল্লিবা। মণিপুরগা তাইননা লৈরল্লিবসি চিনা, বর্ম্মা, অরাকন, বেঙ্গাল, গারো হিলস, অখোম কিংদমনি। অদুক য়াম্না চাওখ্রবা লমদমদা ঙসিদি মীতৈগীনি হায়না ৩.৮% খক্তা ঙাইশিল্লক্লে। মানা মানা ক্লেইম তৌশিন্নদুনা মখোয় মখোয়গী য়েক্লরিবা মেপ্তুগী মনুংদা মীতৈনা খোঙ্গুল তারুবা য়াদবা লম অমা ওইনা লৈরক্লি। মখোয়গীনি হায়রিবা মফমশিং অসি, দেল্লি লৈঙাক্লা নখোয়গী ওইরে হায়না লাউথোক্তবা অদুখক্কী ৱানি। মসি পূম্নমক লম অমদা এক্ত অনী থোক্লা চৎনহল্লম্বগী দশানি। লম অমখক্তা এক্ত অনী চৎনহনবসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা লৈবগে?

লমদমসিগী চীংমী তম্মী অনীসি মচিন মনাওনি হায়বগী অচেৎপা ৱাফম, পুয়া খরদা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওরি। অদুবু ৱাফমসি চীংমী লুচিংবা খরনদি তুংওইনরি। হংনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা, মচিন মনাও ওইরিবা চীংমীনা ত্রাইব ওইরগা মীতৈনা করিগী জেনরেল ওইরল্লিবা? হিন্দু জেনরেল ওইরুবনা ঙসিদি সেদ্যুল ত্রাইবনা লৈরিবা চীংগী মফমদা মীতৈ জেনরেলনা লৈবা য়াহন্দ্রি। মসি ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী সেদ্যুল ত্রাইবপু প্রোটেক্ট তৌনবা আর্টিকেল ৩৪২ (১) গী এক্টসিননি। অসিগুম্বা এক্টসিগা মীতৈদা থম্মিবা মলোমসিগা পূনশিন্নখিবদগী ঙসিদি তংদু-লৈতাদবা লমদম অমা ওইদুনা লাক্লি।

মাই হন্বল রিক্লেস মরুপশা নখোয়-নখোয়না খল্লিবা অৱা নুংঙাইগী ৱাখলশিংদুগী মরক্তা, লৈবাক্কী অমদি তুংগী মীরোলশিংগী ওইবা ৱাখল খন্ননবা মফম মচা অমতংদি তঙাইফদনা কন্দুনা থম্বীয়ু। মদুনা লৈবাকসি কনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। ৱাফম অমনা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৯গী মতমদা ইন্দিয়াগী ওইবা চৎন-কাঙলোন (কনষ্টিট্যুসন) শেম্লকপা মতমদা লোকল এদজষ্টমেন্ট তৌগদবনি হায়বগী ৱাফম, মণিপুরগী অখণ্ড অহৈ অমত্তনা হায়হৌখিদে। কাশ্মীরগীদি লোকল এদজষ্টমেন্টগী ৱাফম হাপহৌবনা মীতৈগী দশাসিমক্তি তাদনা হিংলি।

মরুপশা অসিগুম্বা ফুকৎপদা ৱারগদবা অশোয়বা ময়ামসি মেনখৎপা য়াবা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মনুংদা করি করি লৈ হায়বসি থিমিন্নবা, খঙমিন্নবগী মথৌ তারোইদ্রা? লূপ ময়াম অমনা মাগী মাগী অপাম্বদা অহান অকোন, তুং মাং য়েংদনা দাবীগী ঈহৌ শাগৎনরিঙৈ মীতৈ তুম্বনা হানগদৌরিবরা?

হৌজিক মণিপুরদা ইকুই কুইদনা ত্রেন য়ৌরক্কদৌরে। মসিবু হরাউসিরা, নোকসিরা, কপসিরা? হরাউনরি মীওই কয়া অমনদি ওইরগদৌরিবা ময়ামদু খঙলুদবনা। লৈবা য়োনবা য়াদবা সেদ্যুল ত্রাইবকী ষ্টেটসতা লৈহৌরসি হায়বসু চীংমী ওন্দুনা হন্থবা থাক্তা লৈবা পামদে হেক্তো ময়েৎলি। ঐখোয় মশেল য়েৎন-হুন্নরিঙৈ, লৌশিন্নরিঙৈ মীতৈ মুৎপনা হাল্লনি। য়েৎলিবশিংনা হায়রি, চহী ১০-১০ খক্কী ওইবা সেদ্যুল ত্রাইবকী সিষ্টেমদুনা কৈদৌদোইনো, ৱাফমসিদা হায়নীং খুম্নিংলিবদি চহী ১০খক্কী ওইরবসু এক্সটেন্দ তৌ-তৌদুনা লাকপদু ঙসিদি চহী ৬০-৭০ শুজিল্লক্লে, মসিনা কমদৌবা? সেদ্রল ত্রাইব চহী ১০দা কক্লে ককউ, ককওই তোকউ, ফীভমগী মতুং ইন্না এদভান্টেজ লৌহৌবা হায়বসিদা করি মাঙজবা লৈবগে? মপান্দগী থোমজিল্লক্কদৌরিবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী মখূৎতগী মীতৈ লায়রবশিংগী লম করম্না কনগদৌরি? লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈশিংবু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৪২ (১) গী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনদুনা, চীং তম অনীমক্তা মপান দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা খুন্দাবা য়াদনবা হোৎনফম থোক্তবরা?

ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্দা য়েলহৌমী হায়বসি করি হায়না হায়রি? সেদ্যুল ত্রাইবপু ইন্দিজিনস পিপল (য়েলহৌমী) হায়। অদুনদি ঐখোয়না য়েলহৌমীনি হায়না লাউরিবসি ঐখোয় য়েলহৌমী ওইরিবরা? ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ঙাকলৌ য়াওদনা অসুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফীভম অমদা মীতৈনা হিংলি? ত্রাইব ওইরমদবসু নত্তবা, সেদ্যুল ত্রাইবতা হঞ্জিনজরগে হায়বদা করিগী ইকায়দোইনো? ক্কাক্লা কয়াম কুইনা ৱাহোং মতু থেৎতুনা ৱাহোং শাবা য়াদোইনো? সেদ্যুল ত্রাইব ওইহৌদুনা ঐখোয়গী ফীভম-ফীরেপ শেমহৌরবা অমদি কনামত্তনা লাকচবা ঙল্লরোইদবা মতমদুদা জেনরেল কেটাগোরিদা অমুক হঞ্জিনজরগে হায়বদা থিংবীনবা কনাগী মতিক লৈ? থিংফমসু থোক্তে।

মরুপশা মতম লৈত্রে, ইফুরুপসি কন্নবা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী চৈঙাক লৌহৌরসি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) য়োইশগাই (খ) উরৌরে

২। ‘‘চেং লৈতবগী মরম পূম্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।’’ পরেংসি কুঞ্জমোহনগী ‘ইলিশা অমগী মহাও’ দগী লৌথোকপনি। মসিদা ‘মঙোন্দা’ হায়রিসি কনাবুনো?

৩। ‘‘য়ু থকউ/গঞ্জা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।’’ কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ‘‘অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরান্থাবশিংনা মনীং তল্লি।’’ মসিনা ‘তায়োন্নরবা অহিং’ কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো?

৫। কাশিনাথকী নোভেলবু ‘বন্ধান থম্লবা রঘু’ হায়না হন্দোকপদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।